ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা মহাক্কী এ সীগী মফম অহুমদা মৈরা শঙশিং শঙ্গাখিবগী মনুংদা মৈরা শঙ অমগী শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক মৈরা চুখৎপা


লৌশিং পূক্কে : শেল-থুমগী অৱাবা তোয়না ... লামায় ২

লামায় ৪ মশেক মঙাল লংনা ঙাল্লক্লিবা ইমা লৈবাক মণিপুর!

চাং নাইনা শান্নবা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা খঙহৌদনা... লামায় ৫

লামায় ৬ কাঙলোন চুম্না লাই হরাওনবা হোৎনবদা লাইগী ...

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিন লাক্কদৌরি... লামায় ৯

লামায় ১২ টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি : কংলৈপাক পারিনা...


ন্যু দেল্লীগী হোটেল পুলমান এরিও সিটিদা পাঙথোকখিবা কাহোকোনগী ৯শুবা এদিশনদা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসর্চ ইন্সটিটুটতা আইকোমপ্লাই কেটেগোরিদা ইষ্ট জোনগী ফর্ষ্ট রন্নর্স-অপকী এৱার্দ খুৎশিন্নরকখিবা



Vol. 49, Issue No. 040 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 06, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## এম এল এ ২১না হোৎনজবগী মহয় য়াল্লগদ্রা সম্বিত পাত্র লাক্লে, উনবা য়াবা উনবা হৌরে

**ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :** হোম মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেনবু ফেব্রুৱারী ৯দা রিজাইন তৌহল্লগা ফেব্রুৱারী ১৩দগী প্রসিদেন্টস রুল থল্লক্খ্রবসু লৈঙাক মখল অসিনা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা মশক থোকপা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রে হায়রদুনা মীয়ামগা খূৎশম্ননা লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীয়ু হায়দুনা এম এল এ ২১না মমাঙ থাগী ২৯দা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা পূন্না খূৎয়েক পীবা চেরোলশিং পীশিনখিবগী মহয় য়ানগদৌরব্রা হায়বগী ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী মরু ওইনা পোলিটিকেল সর্কলদগী হংনরক্লে।

ৱাহংশিং অসি ঙসি বি জে পিগী লোক সভাগী এম পিসু ওইরিবা নোর্থ ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্রনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ তারমদাইদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা খা-ৱাং চেন্দুনা এম এল এশিং, চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেন, স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনচিংবা মথং-মথং উনরগা গভর্ণর ফাওবা উনখিবদগী হংনরকপনি।



মহাক্না এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা হেলিকোপ্টর তোংদুনা চুড়াচান্দপুরদা চৎখি। অদুগা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

সুপ্রিম কোর্টতা বিরেনগী ওদিও লিকনি হায়বগী কেস

## মণিপুরদা কাঙলূপকী ঈরাং থোকহনবদা চেন্নবশিং ঙাকপীরোই : সুপ্রিম কোর্ট

**ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লানগী অকনবা থৌদোকশিং থোক্লিঙৈগী চৈরক মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর বিরেননা পাঙথোকখিবনি হায়বা ক্লোজ দোর মীটিংদা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং হেন্না থোকহন্নবগী ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়বা মিনট ৪৮ লোম শাংবা 'ওদিও লিক' নি হায়না চার্জ তৌরদুনা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ত্রষ্ট (কোহুর) না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অমা ঙসিসু মখা তানা খন্নখ্রে।

চীফ জষ্টিস সঞ্জিব খন্না অমসুং জষ্টিস সঞ্জয় কুমারগী বেঞ্চনা মেট্টর অসি ঙসি



অমুক হন্না লৌখৎলদুনা বিরেনগী ওদিও লিকনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা ওদিও রেকোর্দিংশিং অদুগী তাংদাংবা খঙদোক্লবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিল্ড কোভরদা পীখৎলকখিবা সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী রিপোর্ট য়েংখি।

কোর্টনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## 'পি আরনা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙমদ্রে, মীয়ামগী লৈঙাক লৈহল্লু নৎত্রগা মীখল পাঙথোক্কদবনি'




**ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল (পি আর) থল্লবসু ঈরাং লাকশিন্দুনা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমদ্রে। ষ্টেট অসিদা পি আর অদুম থমদুনা লৈবসু য়াবা নত্তে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি নৎত্রগা থিন্থবা তৌদনা নৌনা মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়না এ আই সী সীগী মাইনোরিটি দিপার্টমেন্টকী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ইন্দো-পাক লান থোক্লগদ্রা

## হোম মিনিষ্ট্রিনা মে ৭তা ষ্টেট অয়াম্বদা মোক দ্রিল পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী) :** মমাঙ থাগী ২২গী নুংথিলদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পহলগাম চীংথক্তা লৈবা বৈসরন টুরিষ্ট স্পোটতা পাকিস্টানদা বেজ তৌবা লাস্কর-ঈ-টাইবনা টুরিষ্ট ২৬ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোক্তগী য়ুমথংনরিবা পাকিস্টানগা অমুক হন্না য়েংথীনরকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা লান থোরক্লগদ্রা মীপাইনরকপদগী হোম মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অয়াম্বদা থা অসিগী ৭তা মোক দ্রিল পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে। (অকূপ্পা পাউ লমায় ৯দা)

## হায় কোর্টনা জজমেন্ট রিজার্ভ তৌবা অহানবা ইলেক্সন পিটিশন সুভাসচন্দ্র ভর্সেস কেবি



**ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাক্লকখিবা এম এল এ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## থা অসিগী মনুংদা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনরগনি : এম এল এ, এল রামেশ্বর

**ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা এম এল এশিং পূনশিন্নদুনা মপূং ফাবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনরগনি হায়না কৈরাও এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ, এল রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী এ সীগী ক্যামগৈ খোইরোম লৈকায়, ক্যামগৈ দিস্পেন্সরি লৈরক অমদি ক্যাগৈ ময়ায় লৈকায়দা নৌনা শাবা মৈরা শঙশিং শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী ফীভমসিদা মপূং ফাবা লৈঙাক অমা থন্বীয়ু হায়বসি মীয়ামগী খোল্লাও খক্তা নত্তনা মীহুৎশিংগীসু খোল্লাওনি। চিরবা তানফমসিদা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তা খাইবুং তান্নদুনা মপূং ফাবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মণিপুরগী ফীভম অমদি মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি য়েংলগা মীহুৎশিংনা লন্নাই নুংঙাইনদবা অমদি শাওনীংবা পূন্না নাথেরল্লগা তুংগী মীরোলগী য়েংদুনা মপূং ফাবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক শেম্বদা তঙাইফদনা এম এল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## আর কে সী এস আর্ট ম্যুজিয়মগী ২২শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :** মীয়াম্না আর কে সী এস হায়রগা হেন্না খঙনবা মণিপুরগী শক্লাইরবা লাইয়েকপা রাজকুমার চন্দ্রজিৎস্নাগী মিংদা কৈশামথোংদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা হাংবা আর কে সী এস আর্ট ম্যুজিয়মগী ২২শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী চীং-লেল্লবা থৌরম অসি আর কে সী এস বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা শীন্দুনা মহাক্কী মমিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


লমায় ৩দা

মীওই অমবু কারনা হঞ্জিন-হঞ্জিন তক্কুনা হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা ৩ জেলদা থাজিনখ্রে

লমায় ৮দা

আই এ এস ১৩- এম সী এস ২গী ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে

ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫গী মখা তাবা ৱায়েল মে ১৫দা চত্থরগনি

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা






| | 125 NEON | 150 SINGLE DISC | NS160 BASE | 220F | N250 |
|---|---|---|---|---|---|
| SAVINGS | - | ₹3 000/- | ₹9 075/- | ₹6 515/- | ₹9 114/- |
| SPECIAL PRICE (AFTER SAVINGS) | ₹88 870/- | ₹1 15 930/- | ₹1 31 949/- | ₹1 42 259/- | ₹1 48 877/- |

72198 21111 | BAJAJ SECURE AMC - ROAD SIDE ASSISTANCE | BAJAJ CREDIT

*Terms and conditions apply. *Ex-showroom price for mentioned Pulsar variants. Price revision versus Ex-showroom price of mentioned Pulsar variants as on 31st March 2025. *Down-payment is margin money for Pulsar 125 Neon. Margin Money is excluding DCC charges, Processing fees, other charges and it's based on fulfilment of credit parameters. Bajaj Auto reserves the right to withdraw any or all offers without prior notice. Stunts have been performed by experts, under professional supervision, in a controlled and enclosed environment, in isolation from general public or public roads. Do not attempt to replicate these stunts and always follow traffic and safety rules. AMC available on specific models and in specific states. Check with Bajaj dealer for more details. Road Side Assistance is provided by third parties and is subject to their terms and conditions.

**Authorized Dealers for Bajaj Auto Ltd.** Imphal MANIPUR BAJAJ 7629827502.

HL-B/9443/6